ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



যুনিভর্সেল ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) গী নম্বর ৱান লংথবাল কুঞ্জ বট্টালিয়নগী প্রসিদেন্ট ওইরমখিবা মুতুম ইবোমচা মৈতৈগী মঙানি লৈহুন থৌরমদা গন সেল্যুট পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎননবা শেম শাবা


থম্মোয় পাউদম : ঐগী মায়থোঙ অমসুং ঐগী ৱাখল ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরু ওইরক্লিবা বাইও ...
কাঙলোন চুম্না মরূ লোক্তুনা থম্বা ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ মণিপুর পুম্বদা লেন্দ রেভিন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্মস এক্ট ...
দেল্লিগী সী আর পি এফ পব্লিক স্কুল মমাঙদা বোম ... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ মেস্স বোদি বিল্ডিংগীদা মারাদোনা অদুগা মেস্স ...


দান্স দ্রামা ম্যুজিক রেপরটোইর য়ুনিয়ন মণিপুরনা সঙ্গিৎ নাটক একাদেমিগী মতেংগা লোয়ননা চথরকপা 'মেঘাদুতম' মিংথোনবা দান্স দ্রামা পুথোরুবগী নুমিৎ ৭৫নি চথরকপা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন লোইশিনবদা উৎখিবা দান্স দ্রামা



Vol. 48, Issue No. 198 | নিংথৌকাবা, মেরাগী ২০নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, October 21, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখি হায়রিবা চেরোলগী পাউখুম ঙাইনরি

# চেরোল পীশিনবদা খূৎয়েক পীবা য়াওখিদবশিংনা অমিট শাহ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর উননবা হোৎনরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ১৫দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা খূৎমারক্তুনা মণিপুরগী লানগী ৱারোইশিন পুরক্কবগীনি হায়দুনা ন্যু দেল্লীগী খান মার্কেট মনাক্কী ২০-সুব্রমনিয়ম ভারতি মার্গতা লৈবা মিনিষ্ট্রি অসিগী ওফিসতা নাগা, কুকি অমসুং মীতৈগী এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগা তোঙান তোঙান্না উনদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুগা ইকান কান্নদনা মণিপুর লৈঙাক্কী এম এল এ/মিনিষ্টর ১৯না খূৎয়েক পীদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখি হায়বদুগী মতাংদা ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদদি প্রাইম মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী চেরোল অদুগা মরী লৈনবা পাউখুম য়াওনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈখিদ্রি।

অদুম ওইনমক চেরোল অদুদা খূৎয়েক পীখিবা এম এল এ/মিনিষ্টর ১৯গী মনুংদা য়াওদবা মণিপুর লৈঙাক্কী মরু ওইবা মীওই খরনদি ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ উননবা হোৎনখিবগা লোয়ননা য়ারগদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ফাওবগা অতেনবা মতমগী ওইরবসু উননবগী তাঞ্জা ফংননবা কন্না হোৎনরি হায়রি।

অদুম ওইনমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদি ঙসি উত্তর প্রদেশকী বরানসিদা চৎতুনা মফম অদুগী লাল বহাদুর শাস্ত্রি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টপু লুপা ক্রোর ২,৮৭০ চঙনা পাকথোক চাউথোকহন্নবগী উরেপ তমখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা লুপা ক্রোর ৬,১০০ হেনবগী মশক নাইবা দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্টশিং শঙ্গাবগী চৎথোকখিবনা ঙসি নুমিদাং পুং ১০.৩০ তারকপা ফাওবদদি প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসকী মায়কৈদগী উননবগী অয়াবা পীরকখিদ্রে হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টরদা চেরোল পীশিনবদা খূৎয়েক পীবা য়াওখিদবা ষ্টেট লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা বি জে পিগী নেসনল লিদর খরগী খূখাংদা তঙাইফদনা হোম মিনিষ্টর অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর উনবগী অয়াবা লৌবীনবা হোৎনখিবনি হায়রি।

থৌরাং অসিদা বি জে পিগী নেসনল কোওর্দিনেটর ডা. সম্বিট পাত্রা ফাওবা য়াওই হায়রি। অদুম ওইনমক হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী মায়কৈদগীসু ঙসি নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপা ফাওবদদি এপোইন্টমেন্টকী অয়াবা পীরকখিদ্রি হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ২২ অমসুং ২৩দা রসিয়াগী কজানদা পাঙথোক্কদবা ব্রিক্স সম্মিটতা শরুক য়ারনবগীদমক লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ইনভিটেসন পীরকপদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি চৎননবা থৌরাং তৌরি হায়রি। অদুম ওইনমক মহাক ঙসি নুমিদাংমক নৎত্রগা হয়েং নৎত্রগনা সম্মিট অসি হৌগদবা নুমিৎতা রসিয়াগীদমক ন্যু দেল্লী করম্বা মতমদা থাদোক্কদগে হায়বসু খঙবা ঙমখিদ্রি হায়রি।

মরম অসিনা উনবগী মতম রসিয়াদগী হল্লক্লবা মতুংদা পীরক্কদ্রা নৎত্রগা পীরক্লোইদ্রা হায়বসু খঙবা ঙমদ্রি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১৭তা নায়াব সাইনিনা হরয়ানাগী অনীরকশুবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অমসুং নুমিৎতুমক্তদা চান্দিগরদা পাঙথোকখিবা এন দি এগী মপাং পার্টিশিংগী চীফ ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

### কুকি টেররিষ্টশিংনা জিরিবামদা লানগী থৌওংশিং চথরকপা লেপত্রি

# নুপীগী মনাদগী সনা থৎলগা পোৎ চৈশিংনা মৈ থারম্লে রব্বরগী ফার্ম হাউস ১ য়াওনা য়ূম ২ মৈ থাদোক্লম্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস) :**

ঙরাং অয়ূক অঙনবদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেসনদা কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকনবা এটেক চথবদা নত্তনা মীচম মরিগী য়ূমশিং মৈ থাবা অমসুং বোম কাপশিন্দুনা অমাঙ অতা থোকহল্লম্লবা মতুং ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপদনা জিরিবাম পি এসতগী মখা রোমদা কিলোমিটর ১৬ লোম লাপ্পনা লৈরিবা সোনাপুর গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা নুংখাল খুলদা লৈবা রব্বর ফার্ম হাউস অমা য়াওনা য়ূম অনী মৈ থাদোক্লম্বদা নত্তনা নুপী অমগী নাদা য়ানবা সনা থৎলগা পুখিবতা নত্তনা ইমুংগী পোৎ চৈশিং মৈ থাদোক্লম্লে হায়রি।



ঙরাং নুমিদাং থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়বদা নুংখাল খুলদা বিষ্ণুপ্রিয়া নিঙোল অমগা য়ূম্বানমিন্নরকখিবা জোনি কৌবা মীতৈ মচা অমগী য়ূমদা মারগী লোল ঙাওবা খূৎশু খূৎলায় মতিক চানা পায়বা মীওই ২০ লোম লাক্লগা মহাক্কী য়ূমগী থোঙ হাংদোক্লবা কন্না থিল্লকখি হায়রি।

মপান্দগী লাউ খোংদুনা থোঙ থিল্লকপদগী জোনিনা লোন্না য়েংবদা খূৎশু খূৎলায় মতিক চানা পায়বা মীওইশিং ওইরম্বদগী মহাক্কী লোয়নবীদা মহাক চৎথোকখিবদগী লৈতে হায়দুনা খুম্মু হায়রম্লগা মহাক্তি মনীংলোমদা পানবা থোঙনাওদগী লোন্না থোরক্লগা অনকপা অশোঙবা মফম অমদা লোৎতুনা লৈখি হায়রি।

থোঙ হাংমন্দবদগী খূৎশু খূৎলায় মতিক চানা পায়বা টেররিষ্টশিং অদুনা থোঙ নমখায়দুনা চঙলক্লগা মহাক্কী লোয়নবীদা 'নঙগী নুপা লৈব্রা' হায়না হংলখি হায়রি।

ৱাহং অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ককচীংবু মপূং ফাবা রেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট ওইহনখিবদু হন্দোকপা শুকয়া য়ারোই : জে এন জি ভি ও

### 'রোল বেক' তৌনবা হোৎনরক্লবদি ককচীংগী মীয়ামগা লোয়ননা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারি হায়বসি কাউবীগনু : সোমরেন্দ্র

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস):**

মণিপুর লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ৮দা নৌনা শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট ৭পু 'রোল বেক' তৌনবগী দিমান্দ তৌরকপগা মরী লৈননা নাকল অহুমগী ৱারী শানরিবসিদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মতাংদা খন্নবদা য়াওহনবা য়ারোই অমসুং ককচীংবু মপূং ফাবা রেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট ওইহনখিবা অদু হন্দোকপা শুকয়া য়ারোই হায়না জোইন্ট নন-গভর্ণমেন্ট ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসন (জে এন জি ভি ও) গী এদভাইজর পুখ্রম্বম সমরেন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।




ঙসি ককচীংগী লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টরদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্লা হায়, কুমজা ১৯৮৩দগী মণিপুরদা দিষ্ট্রিক্ট খরা রি ওর্গনাইজেসন তৌদ্রিঙৈ মতমদগী ককচীং দিষ্ট্রিক্ট শেম্নবা খোঙজং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# চীফ মিনিষ্টরনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুগা উনদুনা মণিপুরদা ৱর্ল্ড ক্লাস ফুটবোল ষ্টেদিয়ম থম্নবা খন্নখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা ইম্ফাল থাদোকখিবদগী হৌজিক ফাওবা দেল্লীদা লৈরক্লিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুগা মফম অদুদা উনদুনা মণিপুরগী অচৌবা প্রোজেক্ট খরগী য়াওনা ষ্টেট অসিদা ৱর্ল্ড ক্লাস ফুটবোল ষ্টেদিয়ম অমা থম্নবগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা মহাক্লা ঙসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর উনখিবা অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমসুং অতৈ ওফিসলশিংসু লোয়নখি হায়রি।

উনখিবাঅসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম 'এক্স'তা ফোঙদোরকখিবদা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যেরস অমসুং মাইনোরিটি এফ্যেরসকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগা ঙসি ৱার্ক্স অমসুং য়াসকী মিনিষ্টর য়াওনা অতৈ ওফিসলশিংগা উনরে হায়রি। মসিদা মাইনোরিটি মিনিষ্ট্রিগী মখাদা মণিপুরগীদমক অচৌবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা খন্নখি। অদুগা মণিপুরদা শান্নরোয়শিংবু হেন্না ফগাৎহন্নবগীদমক ৱর্ল্ডক্লাস ফুটবোল ষ্টেদিয়ম অমা থন্বগী মতাংদসু খন্নখি হায়রি। অতোপ্পা পোষ্ট অমদনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর গোবিন্দাস অমসুং চীফ সেক্রেটরি য়াওবা মীফম অমসু মহাক্লা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

# 'মীয়ামগীদমক লম্বীদা চেল্লিবা গাড়ীশিংবু শেনফু ওইনা উবীগনু, নোংমৈদি য়েক্লবদা ওনশিনবীয়ু'

### শেনখায়-থুমখায়গী মায়োক্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী পেসেঞ্জর গাড়ীশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস) :** লানগী নমাদা পুবা-থাংবা ঙল্লোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌবীগনু হায়রদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী পেসেঞ্জর গাড়ী পুন্নমক ঙসি নোংমগী শিন্থা লেপ্তুনা ৱাংজিং কোদোম্পোকপীগী হৈরোক লমখায়দা গাড়ীশিং অসিগী দ্রাইভরশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে। খোঙজং অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্টরস য়ুনিয়ন (টি দি টি য়ু) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।



খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা দ্রাইভর অমনা হায়, এসোসিএসন ১২/১৩গী মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা সর্ভিস তৌরিবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিংদা লানগী নমাদা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা দিমান্দ কয়া তৌশিল্লকপগী মায়োক্তা ৱাকৎ খোঙজং অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## সনামহী লাইনীং চৎপশিংগী পোকপা-শিবা অমসুং লুহোংবদা য়ূম্ফম ওইবা ৱার্কশোপ পাঙথোক্কদৌরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস) :**

সনামহী লাইনীং চৎপশিংগী পোকপা-শিবা অমসুং লুহোংবগী থৌরম-শিনফমশিংদা য়ূম্ফম ওইবা নুমিৎ ১৫নিগী ৱার্কশোক অমা মথং থাগী ২দগী পাঙথোক্লগনি হায়না লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহৌশা পাঙথোকপগুম ৱার্কশোপ অসি অহুম্লক শুরকপা ওইনা পাঙথোক্কদবনি। ৱার্কশোপ অসি টেম্পল বোর্দনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগা খূৎশম্ননা শিনগদবনি হায়রি।

শরুক য়ানীংবশিংনা হয়িং খোংবাল উফোং য়ূম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহীগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## ইরেংবম চাওরেনগী ৬৭শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ৱারেং ইবা চাংদম্নখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস) :** মথং থাগী ২দা ইরেংবম চাওরেন মেমোরিএল ত্রষ্টনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈখিদ্রবা ইরেংবম চাওরেনগী ৬৭শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী মাঙওইননা ঙসি ত্রষ্ট অসিনা শীন্দুনা ক্বাকৈথেল হৈনৌখোঙনেম্বীদা লৈবা পিতম্বরা ইংলিস স্কুল অমদি রতনকুমার মেমোরিএল স্কুলদা মহৈরোয়শিংগী ৱারেং ইবা চাংদম্নবা পাঙথোকখ্রে।

ৱারেং অসি 'মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাকপদা য়েলহৌমীশিংনা লৌগদবা থৌদাং' হায়বা টোপিক অসিদা ইদুনা চাংদম্নবা পাঙথোকখিবনি। কেটেগোরি অনীদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অসিদা মহৈরোয় লিশীং ২ রোম্না শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা চাংদম্নবা অসিগা মরী লৈননা ত্রষ্টকী সেক্রেটরি হুইদ্রোম সঞ্জয়না পাউমীশিংদা হায়, মণিপুরগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী থৌওং য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেননা লুচিংদুনা কম্মিটি অসিনা থা অসিগী ১৪দা লৌখিবা রিজোলুসন নম্বর ৫৯ ওফ ২০২৪ অদু অন কন্সটিট্যুসনেল ওইবা ওর্দরনি অমসুং দেমোক্রেসিগী মচৎশিং খোঙ্গাওনবা রিজোলুসননি হায়না মণিপুর নাগা য়ুথ ওর্গনাইজেসন (এম এন ৱাই ও) গী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

ৱারেপ অদু ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংগী ক্যেরটেকর চ্যেরমেনশিপশিং কেন্সেল তৌখিবগী পাউখুম ওইনা লৌখিবনি হায়রদুনা কম্মিটিগী ৱারেপ অসি দেমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# '৯১-লাঙ্গোল' গী এরিয়াদা লোনা য়াদবা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং থিংজিল্লে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস) :** তোঙান-তোঙানবা লৈকায় ৯ কোনশিল্লিবা ৯১-মৈতৈ লাঙ্গোলগী এরিয়াদা লোনা য়াদবা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং য়োনবা অমদি শীজিন্নরিবশিংগী মথক্তা মথং থাগী ১দগী অথিংবা থল্লগনি হায়না মৈতৈ লাঙ্গোল ৱেলফ্যের প্রিজার্ভেসন এন্দ প্রোটেক্সন কম্মিটিগী এদভাইজর য়ূম্নাম নিরমোলচান্দ (সিনিয়র এদভোকেট) না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল কম্মিটি অসিনা ৯১- মৈতৈ লাঙ্গোলনা কোল্লিবা লৈকায় ৯গী ক্লবশিংগা পূন্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## থবক্তা ওন্থোকপীরক্কনি থাজে : সুভাসচন্দ্রগী জে এ সী

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস) :**

অসামগী ত্রেনিং সেন্টরদা চথরক্লিবা মণিপুরগী আই আর বি পর্সনেলশিংগী ত্রেনিংদা শরুক য়ারকপদগী চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা লৈখিদ্রবা য়েলাম সুভাসচন্দ্রগী জে এ সীনা ঙসি নম্বোল কৈথেলদা লৈবা য়ুনাইটেদ প্রোটেক্সন কম্মিটিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা কো কনভিনর নাওরেম গঙ্গানা চীফ মিনিষ্টর অমসুং মিনিষ্টর রঞ্জননা জে এ সীগী দিমান্দশিং অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোরক্কনি হায়না থাজবা পীরকপবু তরাম্না ওকই হায়রি।

অদুগা চীফ মিনিষ্টর অমসুং মিনিষ্টরনা পীরক্লিবা থাজবা অসি জে এ সীগা য়ানখিবগী মতুংইন্না শোয়দনা থবক্তা ওন্থোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবসু থম্লি হায়খি।

### বসন্তি অমদি লনচেনবী :

# মমা-মচা ফমুংদা পূন্না শিরমদ্রিঙৈগী মমাঙদা মচানুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবা থৌদোক থোকখিব্রা

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ থাগী ২৩গী অয়ুক্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মখাদা ৱাঙ্গৈই পি এসনা কোল্লিবা হাওরৈবী ময়ায় লৈকায়দা লৈরম্বী নিঙোম্থম নিঙোল অধিকারিময়ূম ওংবী বসন্তি (৪৮) অমদি মহাক্কী চহী ৪ খক্তা ঙাইরিবী মচানুপী লনচেনবী অনীনা মখোয়গী ফমুং অমত্তদা পূন্না শিদুনা লৈরমখিবা থৌদোক অসিগী মাঙওইননা পীক্লিবী মচানুপীবু নমদুনা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবগী থৌদোক থোকখিব্রা হায়বগী ৱাফম চোঙথোরক্লে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা খৎন-চৈনবা থোকখিব্রা অমসুং বসন্তিবু ফূবী-চৈবীবগী থৌদোক লৈখিব্রা হায়নসু হংনরক্লি।




### মমা-মচানা পূন্না শিরল্লিবসি মশা-মশানা শিজবা ওইগনি হায়না মীয়াম্না থাজদে : এম মোসেস

মমা-মচাগী থৌদোক অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা কো কনভিনর মোইরাংথেম মোসেসনা মমা-মচাগী মীশি অসিদা কনাগুম্বগী খূৎ শোয়দনা য়াওরমগনি হায়বগা লোয়ননা লৈখিদ্রবী বসন্তিনা মচাবু হাৎলবা মতুংদা মহাকসু মথন্তা শিজরমগনি হায়বসি মীয়াম্না থাজবা ঙমদে হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মমাঙ থাগী ২৩দা মমা-মচাবু শিনা ফংখিবা নুমিৎতুদা মখোয় অনীগী হকচাং মথংগী নুমিৎতা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌখিবদগী নুমিৎ ২৬নি ঙাইরবা মতুং থা অসিগী ১৮দা পুলিসনা পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট ফংলে হায়দুনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম খক্তদা জে এ সীগী মীহুৎশিংনা উবা ফংখি। রিমসকী ফোরেন্সিক মেদিসিন দিপার্টমেন্ট অমদি পাঙ্গৈগী ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি অনীনা পূন্না থিজিল্লবা মতুংদা মমা-মচা অনীমক্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মহৈরোয় য়াওনা ক্বাথাগী খুঞ্জা ১৬না লায়েংনবা চৎথোক চৎশিন তৌবদা এ আরনা মতেং পাংখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খামদবদগী লেপ্তুনা চথরক্লিবা মণিপুরগী তমথীরবা লানগী মৈনা মৈৱাইরবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ক্বাথা মীতৈ খুলগী মহৈরোয়শিং অমসুং চহী য়াল্লবা মীওই অমা য়াওনা খুঞ্জা ১৬না অনা লায়েংগীদমক মথৌ তারকপদগী চৎথোক চৎশিন তৌবদা অসাম রাইফলসনা মখোয়গী চেকশিল্লবা গাড়ীশিং পুথোরকপদা নত্তনা ঙাক শেন্দুনা লায়েংবগীদমক হঙ্গৎ-হন্দা চৎপদা মতেং পাংখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি ঐচ ক্যু-আই জি এ আর (সাউথ) না ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরকপনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## ফূরগা হাৎখিবা জোন্সনগী হকচাং লৌখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৪দা শকখঙদবশিংনা মীওই অহুম ফাখিবগী মনুংদা য়াওখিবা লাইফম খুনৌ মমাঙ লৈকায়দগী লাইশ্রম জোন্সনবু শিননবা ফূরগা খুরখুলগী পি ঐচ সীদা থমজিল্লম্লবা মতুংদা রিমসকী মীরেলশঙদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরবসু থৌদোক অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা মরী লৈনবা দিমান্দশিং তান্দুনা লৌদনা লৈরকখিবা মহাক্কী হকচাং ঙসি মীরেলশঙদগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্নবা লৌখ্রে।

মহাক মশক খঙদবা মীওইশিংনা কৌরকপদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫